HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
# হুইয়েন লানপাউ
The Largest Circulated Newspaper in Manipur
Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)

AI IMPACT SUMMIT भारत 2026 INDIA
सर्वजन हिताय | सर्वजन सुखाय
WELFARE FOR ALL | HAPPINESS OF ALL
ফেব্রুৱারী ১৬-২০, ২০২৬ । ন্যু দেল্লী, ইন্দিয়া

পূনশিন্নবা, থৌদাং অমসুং খোঙফম চেৎপা এ আই রোমদা লন্বী অমা য়াৎলসি
মাঙজিল থাবা থৌরমশিং
গ্লোবেল ইম্পেক্ট চেলেঞ্জেস: য়ুভাই । এ আই বাই হার । এ আই ফোর ওল
এ আই পিটচ ফেষ্ট
রিছর্স সিম্পোজিয়ম
ইন্দিয়া এ আই ইম্পেক্ট এক্সপো
ইন্দিয়া এ আই তিনকরপ্রেন্যুওর
লাইভ ওইনা থৌরম য়েংউ


CBC 06124/13/0007/2526


Vol. 50, Issue No. 305 | শগোলশেন, ফাইরেনগী ২৫নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Thursday, February 12, 2026, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

## ওন্থোক্লা ফজখ্রে : দিষ্ট্রিক্ট কঞ্জ্যুমর দিসপ্যুটস রিদ্রেসেল কম্মিশনগী কেসশিং মেম্বর হাপত্রিবা ফাওবা য়ৈথোক্লরে

### মণিপুর লৈঙাক্লা দিষ্ট্রিক্ট কঞ্জ্যুমর দিসপ্যুটস রিদ্রেসেল কম্মিশন ৩গী মেম্বরশিং হাপ্তুবদগী শলাক শারে

হুইয়েন ব্যুরো


IN THE COURT OF DISTRICT CONSUMER DISPUTES REDRESSAL COMMISSION (DISTRICT COMMISSION) IMPHAL AT SANGAIPROU MANIPUR
Consumer Complaint No. 12 of 2024
BEFORE
K. Robet Singh – President
ORDER
10/02/2026
List the matter for passing appropriate order, after the appointment of 2nd Members


IN THE COURT OF DISTRICT CONSUMER DISPUTES REDRESSAL COMMISSION (DISTRICT COMMISSION) IMPHAL AT SANGAIPROU MANIPUR
BEFORE
ORDER
18/12/25
List the matter as and when Members are appointed.

সঙাইপ্রৌদা লৈবা কোর্ট ওফ দিষ্ট্রিক্ট কঞ্জ্যুমর দিসপ্যুটস রিদ্রেশেল কম্মিশিন (দিষ্ট্রিক্ট কম্মিশন), ইম্ফালনা লৌখৎপা কেসকী অরোইবা ৱায়েল পীগদবদা ফেব্রুৱারী ১০,২০২৬তা কম্মিশননা কেস অমগী এপ্রোপ্রিএট ওর্দরবু কম্মিশন অসিগী মেম্বরশিং হাপ্লবা মতুংদা লিষ্ট তৌগনি হায়খিবা (ওই) অমসুং দিসেম্বর ১৮,২০২৫দনা অতোপ্পা কেস অমসু কম্মিশনগী মেম্বরশিং হাপ্লবা মতুংদা লিষ্ট তৌগনি হায়খিবা

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১১ (ঐচএনএস) :** গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা লৈবাক অসিগী কঞ্জ্যুমরশিংনা ফংফম থোকপা হকশিং ফংজনবা অমসুং করিগুম্বা কঞ্জ্যুমরশিংনা ফংফম থোকপা হকশিং ফংহনবীরক্তবা মতমদা ৱাকৎতুনা ৱায়েল চত্থরগা ৱারোইশিন পুরক্লবগীদমক শেমখিবা কঞ্জ্যুমর প্রোটেক্সন এক্ট, ১৯৮৬গী মখাদা মণিপুরদসু এক্ট অসি শেমখিবা চহী অসিগা থংনবা চহী কুমজা ১৯৮৭তগী মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট অহুমদা দিষ্ট্রিক্ট কঞ্জ্যুমরস দিসপ্যুটস রিদ্রেশেল কম্মিশন (দিষ্ট্রিক্ট কম্মিশন) অহুম লীংখৎতুনা মথৌ পাঙথোকহল্লক্লবসু মমাঙ চহী ২০২৫গী ওক্টোবর ২দগী হৌরক্লগা ঙসি ফেব্রুৱারী ১১,২০২৬ ফাওবদা কম্মিশন অহুমগী তঙাইফদনা মথৌ তারিবা মেম্বরশিং হাপ্তুবদগী কম্মিশন অহুম্মক শলাক শারে।

মণিপুরগী ওইনা হৌজিক লৈরিবা কঞ্জ্যুমরশিংগী কম্মিশনশিং অসি ইম্ফাল ইষ্ট য়াওনা দিষ্ট্রিক্ট তরেৎকী ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী সঙাইপ্রৌদা লৈবা লৈঙাক্কী কঞ্জ্যুমর এফেয়রস ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুশন (সী এ এফ এন্দ পি দি) গী কেম্পসতা লৈরক্লিবনি। অদুগা অতোপ্পা অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা কম্মিশনশিংনা থৌবাল অমসুং বিষ্ণুপুরদা লৈরক্লিবনি।

সঙাইপ্রৌদা লৈরিবা কম্মিশননা কোল্লিবা দিষ্ট্রিক্টশিংনা ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, সেনাপতি, উখ্রুল, কামজোং, জিরিবাম অমসুং কাংপোকপীনি। থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী কম্মিশননা কোল্লিবনা থৌবাল, ককচীং, তেংনৌপল অমসুং চান্দেল দিষ্ট্রিক্টনি। বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টনা কোনশিল্লিবনা বিষ্ণুপুর, ফেরজোল, নোনে, তমেংলোং অমসুং চুড়াচান্দপুরনি।

কম্মিশনশিং অসিগী প্রিসাইদিং ওফিসর ওইরিবা প্রসিদেন্টশিংদি চহী ৪গী ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীখিবনিনা হায়রিবা মতম অসি য়ৌগদবা নকশিল্লক্লবসু কম্মিশনশিং অসিগী থবক থৌরমশিং মখোয়না পাঙথোকপা ঙম্লি। অদুবু কম্মিশন অহুম্মক্কী ওইনা য়ামদ্রবদা মেম্বর ২/২ খক এপোইন্টমেন্ট পীদুনা লৈহল্লকখিবদু হৌখিবা কুমজা ২০১৮দগীনি। মেম্বরশিং অসি চহী ৫/৫গী ওইনা কম্মিশনশিং অসিদা মথৌ পাঙথোক্লবা এপোইন্টমেন্ট পীরকখিবনি অদুবু কম্মিশন অহুম্মক্কী মেম্বর ৬কী চহী ৫গী মতম অদু মমাঙগী কুমজা ২০২৩দা লোইখ্রবনি। অদুবু লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মখোয়গী মহুৎ শিন্নবা অনৌবা মেম্বরশিং হাপ্লক্তবদগী কুমজা ২০১৮দগী পুরকখিবা মেম্বরশিং অসিগী মতম অতোপ্পা চহী ২/২গী ওইনা শাংদোকহল্লক্লগা মমাঙ চহী ২০২৫গী ওক্টোবর ২ ফাওবা কম্মিশনশিং অসিগী মেম্বরশিং ওইরকখিবনি।

অদুবু লাইবকথীবদি ওক্টোবর ২,২০২৫দগীদি কম্মিশন অহুম্মক্কী তঙাইফদনা মথৌ তারিবা মেম্বর ২/২বু লৈঙাক্লা হাপ্লক্তবদগী হায়রিবা মতম অসিদগী হৌরদুনা কম্মিশন অহুম্মক্তা ৱায়েল চত্থবীয়ু হায়দুনা ৱাকৎলকপা অপূনবা কেসশিংগী মশীং য়াম্না য়ামখৎলক্লে।

হীরম অসিগী মতাংদা পাউচে অসিনা ঙসি সঙাইপ্রৌদা লৈরক্লিবা কম্মিশন অসিদগী ফংবা পাউনা হায়বদা, ঙসি (ফেব্রুৱারী ১১, ২০২৬) ফাওবদা দিষ্ট্রিক্ট কঞ্জ্যুমরস দিসপ্যুটস রিদ্রেশেল কম্মিশন (দিষ্ট্রিক্ট কম্মিশন), ইম্ফালদা ৱায়েল চত্থদুনা ৱারোইশিন পুরক্লবগীদমক মরী লৈনবা ওর্দরশিং পীবগী তঙাইফদবা লৈরিবা অপূনবা কেস ১৩৬ পন্দুনা লৈরে হায়রি।

ইম্ফালগী দিষ্ট্রিক্ট কম্মিশন অসিদা লৈরিবা অসিগুম্না থৌবাল অমসুং বিষ্ণুপুরগী কম্মিশনশিংদসু শোয়দনা লৈরম্লগনি হায়বগী থাজবা লৈরি। মরম অসিনা হায়রিবা থৌওং অসিদি মণিপুর লৈঙাক্লা ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট ১৬তা লৈরিবা কঞ্জ্যুমরশিংনা ফংজগদবা মখোয়গী হক অদু ফংহন্দনা নমশিল্লগা মৎতুনা থম্বগী থৌওংনি হায়বসিদা অরানবা ৱাফম ওইররোই।

কম্মিশন অহুম্মক্তা ওইরক্লিবা ফীভম অসিগা মরী লৈননা পাউচে অসিনা চত্থখিবা ইনভেষ্টিগেশনদা দোক্যুমেন্ট য়াওনা ফংলকখিবা রিপোর্টশিংনা হায়বদা, ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## ঐখোয় মশেলগী মরক্তা লৈরক্লিবা থাজনদবশিং লৈহল্লগুমসি, অপূনবা মণিপুর ওইহল্লসি : খেমচান্দ

### চীফ মিনিষ্টরনা জিরিবামদা চৎতুনা চীংমী-তম্মীগী আই দি পিশিংগা উন্নখ্রে




**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১১ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ৪গী নুমিদাংৱাইরমদা ৱাশক লৌখিবা মণিপুরগী অনৌবা লৈঙাক্কী চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দগী অহানবা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী খোঙচৎ ওইবদা নত্তনা মে ৩, ২০২৩দগী হৌরক্লিবা লান অসিনা রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌহল্লক্লিবা আই দি পিশিংগা অহানবা উন্নবা খোঙচৎকী মনুং চন্না ঙসি অয়ূক পুং ১০ রোম তারকপদগী কংলাগী হেলিপেদতগী ইম্ফাল থাদোকখিবা চীফ মিনিষ্টরনা জিরিবামগী বিদ্যানগরদা লৈবা হেলিপেদতা থুংলুবদা দিষ্ট্রিক্ট অদুগী দেপ্যুটি কম্মিস্নর কৃষ্ণকুমারনা লুচিংবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ওফিশলশিংনা হরাও-তরাম্না ওকখ্রে।

চীফ মিনিষ্টরবু ওকখিবা ওফিশলশিংগী মনুংদা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি প্রাখর পান্দে, এ দি সী (জিরিবাম) টি ঐচ মনোরঞ্জন অমসুং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেশনগী ওফিশলশিং য়াওনা দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমসুং জিরিবামদা দিপ্লোই তৌবা সেন্ত্রেল সিক্যুরিটি ফোর্সকী মকোক থোংবা ওফিসরশিংসু য়াওখি।

চীফ মিনিষ্টরনা জিরিবামদা থুংবগা পন্থদনা অহানবা ওইনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুল কেম্পসতা হাংবা রিলিফ কেম্পতা লৈঙাক্লা চঙজফম লৌহল্লক্লিবা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## সেশন হৌরবসু বোসেমনা টেক্সবুকশিং শুনা ফংহন্দ্রিঙৈদা লাইরিক পুরক্তবা মহৈরোয়শিং ওজানা চৈরাক পীরে

হেমচান্দ নিংথৌজম

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১১ (ঐচএনএস) :** মণিপুরগী ক্লাস টেন ফাওবগী মহৈরোয়শিং তম্লিবা স্কুলশিংগী অঙাংশিং মহৈ-মশিং তম্বগী, লাইরিক-লাইশুগী অমসুং এগজামিনেশননচিংবগী থৌদাং লৌরক্লিবা বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেশন, মণিপুর (বোসেম) না চৎলিবা চহী ২০২৬কী একাদেমিক সেশনদা তোঙান-তোঙানবা ক্লাসশিংগী টেক্সবুকশিং নমগদবা চে য়াওনা চহীসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ক্লাস টেনগী এগজামিনেশনগী অন্সরসিট ওইনা শীজিন্নগদবা চে সপ্লাই তৌরকপদা সব ষ্টেন্দর ওইবা অমসুং বোসেমগী ৱাটরমার্ক য়াওদবা চেশিং লৌশিল্লে হায়বগী ৱাথোক লৈবদা নত্তনা সেশন হৌরবা ফাওবদা টেক্সবুকশিং শুনা ফংহন্দ্রে ...মখা লমায় ৩ কলম ৪



স্কুল কারকপা মহৈরোয়শিংগী মনুংদা টেক্সবুক পুরক্তে হায়দুনা ক্লাস রুমগী মপান্দা লেপহন্দুনা চৈরাক পীবা (রিপ্রজেন্টেশনেল ফোটো)

## য়ু জি ৮ ফারে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১১ (ঐচএনএস):** পুলিস কন্ট্রোল রুমনা ঙসি নুমিদাং থোরকপা চেরোলগী মতুংইন্না ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সনা কে সী পি -এম এফ এলগী খাবি মমাঙ লৈকায়দগী থাংজম গৌতম (১৯) অমসুং দাইমন্দ চিংশুবম (২৪) কৌবা কাদর অনী মশা মশাগী ময়ূমদগী ফারে। মখোয়দগী রোয়ল ইনফিল্ড মোটোর সাইকল এম এন-০৪/জি-২১০৮, মোবাইল ফোন অনী অমসুং আধার কার্দ অমা ফংলে হায়রি।

অমরোমদা, ঙসি পুলিসনা কে সী পি - অপূনবগী খুরাই কোংপাল চীঙ্গাংবম লৈকায়দগী খুলেম কুল্লজিৎ (২০) কৌবা কাদর অমসু ময়ূমদগী মোবাইল ফোন অমসুং আধার কার্দকা কোন্ননা ফারে হায়রি।

অতোপ্পা থৌদোক অমদনা পুলিসনা ঙসি লালহৌলূপ অসিগী খুরাই লাইশ্রম লৈকায় চাইরেনথোং মনাক্তগী চবুংবম তাইশন (২১) কৌবা ইকৌ শদু কোইরেংদগী হৌজিক্লা শজিৱা রিলিফ কেম্পতা লৈরবা কাদর অমসু এম-২০গী পিষ্টোল অমা অমসুং মোবাইল ফোন অমগা কোন্ননা ফারে হায়রি।

লোয়ননা পুলিসনা ঙসি লালহৌলূপ অসিমক্কী থাংমৈবন্দ হিজম লৈকায়দগী অথোকপম দেরিক (২২) কৌবা কাদর অমসু মোবাইল ফোন অনী অমসুং আধার কার্দ অমগা কোন্ননা ফারে হায়রি। ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## এম পি বিমোলবু জোইন্ট কম্মিটি ওন বিক্সিট ভারত শিক্ষ অধিস্থান বিল-২০২৫গী মেম্বর খল্লে



**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১১ (ঐচএনএস) :** লোক সভাগী স্পিকর ওম বিরলানা শেম্বা জোইন্ট কম্মিটি ওন বিক্সিট ভারত শিক্ষ অধিস্থান বিল-২০২৫গী অপূনবা মেম্বর ৩১ খনখিবগী মনুংদা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিগী কোংগ্রেস এম পি ডা. অঙোমচা বিমোল অকোইজমসু কম্মিটি অসিগী মেম্বর ওইনা খল্লকখ্রে।

লোক সভাগী স্পিকরনা শেম্বা কম্মিটি অসিদা মেম্বর ওইরিবা লোক সভাগী অতোপ্পা মেম্বরশিংনা ডা. দি পুরনদেশ্বরি, ভারত্রুহরি মহটব, ডা. সম্বিত পাত্র, টেজাসভি সুর্য্য, অনুরাগ থাকুর, বন্সুরি শ্বারাজ, বিবেক থাকুর, ডা. হেমাং জোসি, ব্রিজমোহেনা অগ্রৱাল, প্রোফেসর একনাথ গাইক্কাড়, ভি কে গদ্দম, ঈ টি মোহম্মদ বাসির, লালজি বর্ম্মা, প্রোফেসর শৌগতরে, টি আর বালু, শ্রীভারত মাথুকুমিল্লি, ডা. ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## ৱাবগাই লমখাইদগী শুগুনু ফাওবগী লম্বী শেম্বা হৌরকপদা লূপ অমত্তনা অথিংবা পীবিগনু



**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১১ (ঐচএনএস) :** মতম শাংনা লৈঙাক্লা শেম্বীরক্তবদগী ফীভম শোকচিল্লক্লবা ইন্দো-বর্ম্মা রোদকী ৱাবগাই লমখাইদগীনা শুগুনু ফাওবগী লম্বী অসি নৌনা শেম্বা হৌরক্লিবা অসিদা লূপ অমত্তনা অথিংবা পীবিগনু হায়বগী খোঙজং ঙসিসু মখা তানা পাঙলতাবীগী মৈরা পায়বীশিং অমসুং সাউথ ইষ্টর্ন মণিপুর দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেশন (পাঙলতাবী) না খোঙজং চঙশিনখ্রে।

ঙসিগী খোঙজংদা ওর্গনাইজেশন অসিগী সেক্রেটরি ইরোম অরুনকুমারনা হায়, ইন্দো-বর্ম্মা শুগুনু লম্বী অসি শেমজিনবীরক্তবদগী অসুক্কী মতিক হায়নীংঙাই লৈতনা ফীভম শোকপা লম্বী ওইরক্লবনি। লম্বী অসিদা তাংদুনা হিংলিবা মীওই কয়া এক্সিদেন্ট থোকপদগী লৈখিদবা অমসুং মমা ওইরগদবী নুপীশিং মতম চানা হোস্পিটাল য়ৌবা ঙমদবদগী কনবা ঙমদনা লৈখিদবসু য়াওখ্রবনি। লম্বী অসি শেম্নবা শুগুনু এ সীগী এম এল এ, কে রঞ্জিৎনা এসেমব্লিদা কয়ারক হন্না পুখৎখ্রবনি। অদুগা পি আর লৈঙাক্কী মতমদা মহাক্লা মরী লৈনবা মিনিষ্ট্রিদা অইবা চেরোল থাবদগী ৱাবগাই লমখাইদগী শুগুনু ফাওবগী লম্বী অসি শেম্নবা গভর্ণর, চীফ সেক্রেটরি অমসুং মরী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## ‘জণ-গণ-মণ’গী মমাঙদা ‘বন্দে মাতরম’ হান্না শক্লনবা হোম মিনিষ্ট্রিনা খঙহনখ্রে

**ন্যু দেল্লী, ফেব্রুৱারী ১১ (এজেন্সী) :** লৈবাক অসিদা পাঙথোকপা ওফিশল নৎত্রগনা মীয়ামগী থৌরমশিংদা করিগুম্বা নেশনল সোং (বন্দে মাটরম) অমসুং নেশনল এন্থেম (জণ-গণ-মণ) অনীমক পূন্না শক্কদবা ওইরবদি জন গন মনগী মমাঙদা ‘বন্দে মাতরম’ হান্না শক্কদবনি হায়না গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরসনা খঙহনখ্রে।

হোম মিনিষ্ট্রিনা লৌখৎলক্লিবা থবক অসি লৈবাক অসিনা হন্দক্তা বঙ্কিমচন্দ্র চেট্টরজিনা ইরম্বা নেশনল সোং ‘বন্দে মাতরম’ গী চহী ১৫০ শুরকপগী মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রবা মতুংদা নেশনল সোং অসিনা নেশনল এন্থেমদগী মাঙজিল থানা শক্কদবনি হায়বগী ফিরেপ লৌরকপনি। হীরম অসিগী মতাংদা লৈবাক অসিগী মফম পূম্নমক্তা ঙাক্লা চৎকদবা গাইদলাইনশিংসু মিনিষ্ট্রিনা থোকপা নোটিফিকেশন অসিদা ময়েক শেংনা পল্লি।

হোম মিনিষ্ট্রিগী দিরেক্সন অসি লৈবাক শিনবা থুংনা পাঙথোকপা থৌরমশিংদা অমত্তা ওইনা চপ মান্নহনবগা লোয়ননা বন্দে মাটরমবু হেন্না লূম্না লৌহন্নবা পায়খৎলকপনি হায়রি।

অদুগা বন্দে মাটরম অসি লৈবাক অসিগী মিনিষ্টরশিং নৎত্রগা দিগ্নীটরিশিংনা শরুক য়াবা থৌরমশিংদসু শকপা য়াগনি হায়নসু পল্লি।

## লিতানগী থৌদোক ৱারী শানদুনা য়াশিন্নবা পুরকপীয়ু : অম্মসো

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১১ (ঐচএনএস):** থা অসিগী ৭কী নুমিদাংদগী হৌরদুনা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী লিতানগী তোঙান তোঙানবা মফমদা ফূরুপ কাঙলূপ অনীগী মরক্তা থোরক্লিবা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং অসি লাইনীংগী লুচিংবশিং য়াওনা খুলগী অহলশিং অমসুং সী এস ওশিংনা ফূরুপকী থাক্তা ৱারী শানদুনা অমুক হন্না থাজনবা হঞ্জিলহনবগা লোয়ননা কাঙলূপ অনীগী মরক্তা উংখৎনরিবা অসি নেমথহনবীয়ু হায়না ওল মণিপুর মুস্লিম ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেশন (অম্মসো) গী সেক্রেটরি জেনরেল কে ঐচ দিলসনগী চেরোল অমনা আপীল তৌরক্লি।

## চীফ মিনিষ্টরনা লমথাখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১১ (ঐচএনএস):** চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দনা য়ূম্নাম লৈকায়দা পাঙথোকখিবা থৌরমদা ভিএটনামদা এক্সটর্নেল মীদিয়া টুরগীদমক মীওই ৩০না শাবা মীদিয়া দেলিগেশন অমা ঙসি লমথাখ্রে। থৌরম অসিদা দি আই পি আরগী দিরেক্টর এ সুভাসসু শরুক য়াখি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## বি এস এফ পর্সনেলশিং পুবা ত্রক মৈ চাক্লকখ্রে



**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১১ (ঐচএনএস) :** ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৫.৩০ রোম তারকপদা সেকমাই পি এসনা কোল্লিবা মহারাবিগী মফম অমদা এন ঐচ-২ পরিংদা ১৩১-বট্টালিয়ন বি এস এফকী বি কম্পনিগী পর্সনেলশিং পুরকপা ৪০৭ মিনি ত্রক অমা খঙহৌদনা মৈ হৌদুনা চাক্লকপদগী অয়াম্বা শরুক লৌবা য়াদনা মাঙলে।

পুলিসতগী ফংবা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## আই দি পি ঐখোয়বু রিলিফ কেম্পতা লৈহল্লকপা চহী অহুম শুজিল্লক্কদৌরবা অসিবু লৈঙাক্লা ঐখোয়গীদমক করিসু খন্দবগীরা : কুমার

রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী
হকথেংনবা পাউদম
কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী নাগা খুনৌদগী খুঞ্জা

### ‘চাওখৎলবা মতমসিদা লান অদুমক তৌদুনা লৈবা চুম্লোই, মণিপুরদা লৈমিন্নরক্লিবা ঐখোয় মশেল কনানা কনানো হায়বসি ঐখোয়গী পুৱারীদা ইদুনা লৈরক্লবনি’

(হান্নগী মখা...)

নুমিৎ খুদিংগী ঐগী পূক্লিং-ৱাখল লৈতাবা ঙমদে । লান তৌরগা মাঙজবা নত্তনা কান্নবা পোলোই অমত্তা পুরক্লোই হায়বা ৱাফমসু মোইরাংথেম কুমারনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকখি।

মে ৩, ২০২৩দগী মথোং খঙদবা কুকি-জোগী মীওই খরনা মখোয়গী খূৎলায় পায়বা মিলিটেন্টশিং খক্তা নত্তনা মখোয়গা চাকচা-য়ুথক, লাইনীং অমসুং লোল তিন্নবা ম্যান্মারদা লৈবা মীওই খরগা ফাওবা খূৎশম্নদুনা মীতৈদা অতম্না ওনশিন দুনা চত্থরক্লিবা তমথীরবা লান অসিগী চৈথেংনা থৱায় হিংনবগীদমক লাঞ্জেল্লক্তুনা লম্বোইখোংনাংখোঙদা লৈবা লৈঙাক্কী মণিপুর ত্রেদ এন্দ এক্সপো সেন্টরদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা হৌজিক চহী অহুম ফাজিল্লক্কদৌরবা ফাওবদা চঙজফম লৌহল্লক্লিবা চহী ৭০ রোম শুরবা মীওই অসিনা পাউচে অসিদা মখা তানা হায়, চাওখৎলবা ঙসিগী মতমসিদা লান তৌনরগা অদুমক লৈবা চুম্লোই। ঐখোয় মশেলগী মরক্তা কনানা কনানো হায়বসি ঐখোয়গী পুৱারীদা ময়েক শেংনা ইদুনা লৈরক্লবনি।

কাঙলূপ অনীগী মরক্তা অশোয়বা-অরানবা ঙাকথোক-ঙাকশিন তৌনবা চুমগনি। লান অসিগী ৱারোইশিন অমা পুরক্তুনা মণিপুরদা ঈং-তপ্পা হঞ্জিলহল্লক্তৱবদি ঙসি পীক্লিবা অঙাংশিং অসিগী তুংগী পূন্সিগী লম্বীদা মখোয়বু অফবা মায়কৈরোমদা পুবা ঙম্লোই।

মীতৈদি ঙাকপী হৈবগী মতিক-ময়াই চেল্লি হায়রদুনা মোইরাংথেম কুমারনা পাউচে অসিদা মখা তানা হায়, মীতৈনা ঙাকপীবা ঙমগনি অদুবু নাকল অমনা হৌজিক ফাওবা ঈরাং শাগৎলগা লৈরক্লিবা অসিদি অচুম্বা নত্তে। মখোয়গী ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## হেমাবতিদা লাইফ টাইম এচিভমেন্ট এৱার্দ ওফ কলচর-২০২৬ খূৎশিন্নদুনা ইকায়খুম্নখ্রে



**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১১ (ঐচএনএস) :** ঙসিগী মালেম অসি য়াম্না চাওখৎলবা মতমসিদা ফূরুপ অমা ওইবগী নাৎ-চৎনবীদু মাঙখিবা তারবদি ফূরুপ অদু হিংনা হিংনা শিবগা চপ মান্নে হায়না লৌগনি। মরম অসিনা অহল লমন্না থম্বীরম্বা ফজরবা নাৎ-চৎনবীশিং হিংহন্দুনা থম্বা অসি হেন্না চাওখৎহন্নবা হোৎনবা তঙাইফদে হায়না এম এল এ, টি ঐচ অরুনকুমারনা ফোঙদোকখ্রে। ...মখা লমায় ৩ কলম ২

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫